# জকুরাধোর অমদি বোরোবেক্রা জি পি এরিয়াদা স্বছ ভারত মিসনগী মখাদা শাবা টোইলেট ৱাচেৎনা খারল্লে

জিরিবাম, সেপ্তেম্বর ০২ (জে এন এন)ঃ জিরিবাম দিষ্ট্রিক্তকী সোখরিবা বরাক সার্কলগী মনুং চনবা জকুরাধোর জি পি অমদি বোরোবেক্রা জি পিগী এরিয়াদা স্বছ ভারত মিসনগী মখাদা লুপা লিশিং ১২-১২ রোম শেঙ্গুং পীদুনা শাখিবা টোইলেট ৱাচেৎনা অমদি জিঙ্ঘনা খারল্লে। অদুগা খরনা শারমদবসু য়াওরে।

জিরিবাম দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বার্টরদগী কিলোমিটর ৪৫ রোম চৎলগা লৈবা জকুরাধোর জি পি অমসুং বোরোবেক্রা জি পিগী ওইনা স্বছ ভারত মিসনগী গাইদ লাইন মখাদা পব্লিক হেলথ ইঞ্জিনিয়ারিং দিপার্টমেন্টনা শেঙ্গুং পীদুনা লাইরবা মতিক চানা টোইলেট শাবা ঙমদবা ইমুং খূদিংদা টোইলেট শানবা থবক পায়খৎখিবনি।

জকুরাধোর জি পিগী প্রধান অমদি ৱার্দ মেম্বরশিংগা উনরুবগী পাউদম্লদুনা পাউ অসিনা হায়, টোইলেট শাবগী মরমদা মখোয়না করিগুম্বা অমত্তা খঙদে। মরী লৈনবা ই-পাউ পীরকপসু লৈতে। হংলুরবসু নীংথি নুঙাইনা খুমদে। স্বছ ভারত মিসনগী মখাদা টোইলেটশিং শানবনি হায়দুনা শেমখিবা ৱাটর এন্দ সেনিটেসন কম্মিটিদসু করিগুম্বা অমত্তা খঙহল্লম্বা তৌদনা কোন্ট্রেক্টর-শিংনা মখোয় মখোয়গী অপাম্বা মওংদা শাবা অদুগা কয়াম শাগ্রে, কয়াম শাগদৌরি হায়বনচিংবা অমত্তা খঙহল্লকপা লৈতে হায়নসু ফোঙদোরকখি।

থবক অসিগী কোন্ট্রেক্টরনি হায়বা ৱাই প্রেমচন্দ্র এলাইজ থোইবী কৌবা মীওই অমনা পাউমীশিংদা ফোঙদোরকপদি থবক অসিগী কোন্ট্রেক্টর অসি মীওই ৬ লোম্নি। অহানবা ফেজদা টোইলেট ১৩৩ শাবা লোইখ্রে অদুগা অনীশুবা ফেজদা ২৭০ শাগদবদা হৌজিক ২০০ লোইরে অদুগা ৭০ রোম ৱাৎলি। থবক অসিগী অতৈ কোন্ট্রেক্টরশিং অদুগী মনুংদা য়ু ফিলিপিনো সিংহ, সোমোরজিৎ, বোনিট অমদি রোমিনচিংবা য়াওরি।

কোন্ট্রেক্টরনা ফোঙদোরকখিবা ৱাফম অদু ৱার্দ মেম্বরশিংনদি য়াখিদে। জকুরাধোর জি পিগী ৱার্দ নম্বর ১ গী মেম্বর এল রাজেন সিংহনা ৱার্দ অসিগী মনুংদা লৈবা টিঐচ মনিকো সিংহ (৬৬) অমদি এল গুরুমোহোন সিংহ (৬৬) কী য়ুমদা চক্তুনা য়েংলুবদা তোইলেটশিং অদু য়াম্না ফিভম তাদনা ৱাচেৎনা খাদুনা লৈরম্বা থেংনখি। য়ুম্বুনা ফোঙদোরকখিবদি পোৎ-চৈ খরদি পীরম্মী মশানা কোম তৌরগা শাজবনি। পীরম্লিবা পোৎ-চৈ খরা অদুনা ফক্লাং খাবা কোন্নদে।

বোরোবেক্রা জি পিগী প্রধান লালজাদিং মারনা হায়খিবদি স্বছ ভারত মিসনগী মখাদা টোইলেট শানবনি হায়না ৱাটর এন্দ সেনিটেসন কম্মিটি অমা শেম্মু হায়না মথকলোমদগী য়াথং পীরকপদগী শেমখি। একাউন্ট ফাওবা হাংখি। অদুবু মথৌ তৌহন্দনা থল্লি। হৌজিক টোইলেট শারিবশিং অসিগী মতাংদা করিমত্তা খঙদে, পাউ পীরকপসু লৈতে। ৱার্দ নম্বর থ্রিগী মেম্বরনা টোইলেট শাবা লোইবগী সহি তৌবিয়ু হায়না লম্বীদা হায়রকপদা তৌখিবদি লৈ হায়নসু ফোঙদোকখি।

মহাক্না মখা তানা হায়, ৱার্দ নম্বর ৬ তদি টোইলেট অমফাওবা শাবা থেংনদে। কোন্ট্রেক্টরশিংনা তৌরিবা থবক থৌওংশিং অসি মীয়াম্না য়াম্না পেন্নদ্রে। অদুবু জি পি অনী অসিগী এরিয়াদদি ওপন দিফিকেসন ফ্রি (লমহাংদা অমাঙ অশোয় তৌশিন্দবা) ভিল্লেজ হায়না থাবা সাইনবোর্দ খরা থেৎলল্লে। অসিগুম্বা থৌওং অসিদা গভর্ণমেন্টনা মীৎয়েং চঙবিদুনা য়েংশিনবিয়ু। ২০১৫-১৬ তগী শাখিবা টোইলেটশিং অদুগী রিপ্যারিংগীদমক লুপা লিশিং ৬-৬সু লৌথোকখ্রে হায়বগী পাউসু তারি। মসিসু য়েংশিনবিয়ু হায়না প্রধান লালজাদিং মারনা ফোঙদোরকখি হায়রি।

# ওঝাশিংগী পে এনোমেলি শেমদোক্নবা প্রপোজেল থাখিবগীদমক থাগৎপা ফোঙদোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ০২ (এস এন এস)ঃ মণিপুর গভর্ণমেন্টনা হৌখিবা জুলাই ১১ দা থোকখিবা আর ও পি ২০১৯ দা ওঝাশিংগী পে স্কেল হন্থরকপা অমদি এনোমেলি লৈবশিং শেমদোক্নবা এদুকেসন (এস) দিপার্টমেন্টনা মরী লৈনবা ফাইনান্স দিপার্টমেন্টদা প্রপোজেল থাখিবগীদমক জোইন্ট টিচরস ফোরম্না থাগৎপা ফোঙদোকখ্রে।

হৌখিবা জুলাই ১৭ তা পাঙথোকখিবা ওঝাশিংগী অপূনবা মীফম্না শেমখিবা জোইন্ট টিচর ফোরমগী কনভেনরশিং এম জাদুমনি সিংহ অমদি ঐচ সোমরেন্দ্রো সিংহনা থাদোরকপা চেরোলনা হায়, ফোরম অসিনা ওঝা কম্যুনিটিদা খম থেংনা শোকহল্লবা আর ও পি ২০১৯ শেমদোকপিয়ু হায়না মরী লৈনবা ওথোরিটিদা তকশিন্দুনা লাকখিবনি। লম্ফেলপাৎতা লৈবা এদুকেসন (এস) দিরেক্টোরেটতা ওঝাশিং চঙশিন্দুনা দিরেক্টর অমসুং মরী লৈনবা ওফিসারশিং হৌখিবা জুলাই ২০ দা উনবগা লোয়ননা পেদা খেন্নবা লৈরিবসি শেমদোক্নবা হায়জখি।

খোইশাওনরবা ওঝাশিংনা মখা তানা হৌখিবা জুলাই ২১ দা কৈশাম্পাৎ লৈমজম লৈকাই কম্যুনিটি হোলদা সিট ইন প্রোটেষ্ট চখখি। মখা তানা সি সি হয়ার সেকেন্দরি স্কুলদা ওঝাশিংগী মীফম পাঙথোক্তুনা অপূনবা খোঙচৎ অমসু চৎখি। পুলিসকা মুক্নরবা মতুং এদুকেসন মিনিষ্টর উনদুনা মেমোরেন্দম পীশিনখি। মখা তানা কম্মিস্নার (এদুকসেন), দিরেক্টর, চীফ ফাইনান্স ওফিসার, এদিস্নেল দিরেক্টর অমদি মরু ওইবা ওফিসিয়েলশিং য়াওনা অপূনবা মীফম পাঙথোক্তুনা ওঝাশিংগী পেন্দবা ফোঙদোকখি। মাস কেজ্যুয়েল লিভ লৌথি। ব্লেক বেজ থেক্তুনা ক্লাস চঙবগী খোঙজং কয়াসু মথং মথং চত্থরকখিবনি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, জোইন্ট টিচরস ফোরম্না চঙশিল্লকপা খোঙজংনা মরম ওইরগা এদুকেসন (এস) দিরেক্টরনা প্রপোজেল অমা থাবিবসি হায়নিংঙাই লৈতনা নুংঙাইবা ফাওই। অথুবদা খেন্নবা লৈরিবশিং শেমদোক্নক্নি হায়বগী থাজবসু থল্লি। মণিপুর গভর্ণমেন্টনা পায়খৎলিবা স্কুল ফগৎহনসি মিসন মায় পাক্নবা হোৎনবদা ওঝাশিংগী থৌদাং য়াম্না চাউই। ওঝাশিংসু নীংথিনা থবক তৌজগে, অদুগা গভর্ণমেন্টনসু হন্থনা য়েংবিগনু হায়বগী ৱাফমসু থল্লি।

ওঝাশিংগী পে স্কেল রেক্টিফিকেসনগীদমক ফোরম অসিনা লেপ্পা লৈতনা হোৎনখিগনি হায়নসু মখা তানা ফোঙদোল্লি।

## অৱাবা ফোঙখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ০২ (এস এন এস)ঃ য়ুমজাও লাইরেম্বী দ্রামাটিক এন্দ কলচরেল এসোসিয়েসন খাগেমপল্লি হুইদ্রোম লৈকাইগী প্রসিদেন্ট ওইরম্বা হুইদ্রোম য়াইমা সিংহনা লৈখিদবদা থিয়েটর সেন্টর মণিপুরনা অৱাবা ফোঙখ্রে।

সেন্টর অসিগী প্রসিদেন্ট ৱারেপ্পা নবনা ময়াই ফমদুনা ঙসি পাঙথোকখিবা অৱাবা ফোঙবগী মীফম্না লৈখিদ্রবা য়াইমা সিংহনা মণিপুর থিয়েটর চাউখৎনবা হোৎনরম্বা অমদি লৌরম্বা থৌদাং কয়া শীংথাদুনা মিনিট ২ তুমিন্না লেপ্পুনা ইকায় খুম্নবা উৎখি হায়রি।

## মিজোরাম্না নেস্নেল গেমস ২০২৪ গী য়ুম্বু ওইজগে হায়খ্রে

আইজোল, সেপ্তেম্বর ০২ (এজেন্সি)ঃ মিজোরাম্না নেস্নেল গেমস ২০২৪ গী য়ুম্বু ওইজগে হায়না ইন্দিয়ান ওলেম্পিক এসোসিয়েসন (আই ও এ)দা হায়জখ্রে। চীফ মিনিষ্টর জোরাম থাঙ্গনা ন্যু দিল্লিদা আই ও এগী সেক্রেটরী জেনরেলগা উনদুনা নেস্নেল গেমস ২০২৪ গী য়ুম্বু ওইজগে হায়বা প্রপোজেল অদু পীশিনখিবনি হায়না স্পোর্টস মিনিষ্টর রোবার্ট রোমা-ৱাইফনা ফোঙদোকখি।

আই ও এগী সেক্রেটরী জেনরেলগা উনবা অদুদা চীফ মিনিষ্টর জোরামথাঙ্গনা মহাক্কী স্পোর্টস মিনিষ্টর রোবার্ট, চীফ সেক্রেটরী লালনুংমৱাই চোংবোসু লোইনখি। আই ও এগী ওফিসিয়েল টিম অমা অথুবা মতমদা ষ্টেট অসিদা লাক্তুনা ইনফ্রাষ্ট্রকচর কয়া য়েংশিল্লবা য়াই হায়না স্পোর্টস মিনিষ্টর রোবার্টনা ফোঙদোল্লদুনা মিজোরামনা কুইনদগী নেস্নেল গেমস য়ুম্বু ওইনবা হোৎনরকপগী মঙলান অদু মঙফাওনরবা য়াই লোয়ননা মিজোরামগী ইতিহাসতা অনৌবা মাইওন অমা পীরবা য়াই হায়রি।

## কন্সটিট্যুস্নেল বেঞ্চতা রিফর তৌখ্রে

ন্যু দিল্লি, সেপ্তেম্বর ০২ (এজেন্সি)ঃ জম্মু এন্দ কাশ্মিরদগী স্পিসিয়েল ষ্টেটস লৌথোকখিববু শীংনদুনা থারকখিবা পিটিসন অমা সুপ্রিম কোর্টকী স্পিসিয়েল বেঞ্চ অমনা জজ ৫ না শাবা কন্সটিট্যুস্নেল বেঞ্চতা রিফর তৌখ্রে। বেঞ্চ অসিনা পিটিসন অসি লাক্লিবা ওক্টোরবগী অহানবা চয়োলদা লৌখৎলবা য়াই হায়রি। চীফ জষ্টিস য়াওবা স্পিসিয়েল বেঞ্চ অমনা পিটিসন অদু কন্সটিট্যু-স্নেল বেঞ্চতা রিফর তৌখিবনি।

# প্রাইভেট সেক্তর ইমপ্লোয়িশিং নোংমদা পুং ৭ তগী হেন্না থবক শুহল্লোইদবনি ঃ ইপাক

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ০২ (এস এন এস)ঃ ইরমদম অসিগী তোঙান তোঙানবা শিনফমদা লৈরিবা শিন্নীশিংনা মশাগী চপ চাবা হক ফংনবা ৱাকৎচবা ফাওবা ঙমদবগী ফিভমদা য়াম্না তোন্না হিংনবগীদমক লাম্থেংনরিবা অসি খঙনা প্রাইভেট সেক্টর ইমপ্লোয়িশিং নোংমদা য়াল্লবদা পুং ৭ তগী হেন্না থবক শুহল্লোইদবনি হায়না ইন্দিজেনস পিপলস এসোসিয়েসন ওফ কংলৈপাক (ইপাক)না ফোঙদোরক্লি।

ইপাক্কী সেক্রেটরী জেনরেল রোমেন লৈশাংথেম্না মেদিয়াদা থাদোরকপা চেরোলনা হায়, গভর্ণমেন্টকী ইমপ্লোয়িশিংনা নোংমদা পুং ৬ খক থবক শুহল্লি। হায়রিবা মতম অসি চপ চানা থবক শুবদি চাদ ১০ ফাওবা য়ৌরল্লোই। অদুবু মখোয়গী খূৎশুমনদি থাগী তলব ওইনা মতিক চানা পীরি। গভর্ণমেন্টকী শিন্নীসু অমদি প্রাইভেটতা থবক শুরিবা শিন্নীশিংসু মীওইবা ঙাক্তনি। অমনা থবক খরখক শুরগা শেনয়াম ফংহনবা, অদুগা অমনা থবক কন্না শুরগা খূৎশুমন খিতমক ফংহনবা হায়বসি মান্নবা মীৎয়েং নত্তে। মরম অদুনা তোঙান তোঙানবা প্রাইভেট সেক্টরশিংদা থবক তৌরিবা ইমপ্লোয়ি অমসুং শিন্নীশিংসু নোংমগী মনুংদা য়াল্লবদা পুং ৭ তগী হেন্না শুহল্লোইদবনি। মসি গভর্ণমেন্ট শিন্নীশিংনা থবক শুবগী পীরিবা মতমদগী পুং ১ হেল্লবনি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, দুকান্দা নুপীমচা অমসুং নুপীমচাশিং থবক তৌরি। কালেনগী মতমদা নুংথিল পুং ৫ অদুগা নিংথমথাগী মতমদা নুংথিল পুং ৪ ফাওবা থবক তৌরি। মসিদগী হেন্না তৌবসু য়াওরি। শেঞ্জাও পায়বা অঙম অথৌশিংনা শিন্নীশিংগী খূৎশুমন মৎপসু য়াওদবা নত্তে। অসিগুম্বা অসি থাদোক্তুনা ঐখোয়গী শিন্নীশিংবু মপূং ফানা শৌগৎফম থোকই হায়বগী ৱাফমসু থল্লি। লমদমসিগী য়েলহৌমীশিংনসু শিনফমদা চিলহাও থিদনা হিংনবগী লানফম মায়োক্নবা তাবনি। ঐখোয়না থবক্তা চিলহাও থিবনা মীতোপশিংনা মদুগী খুদোংচাবা লৌরি। মরম অদুনা য়েলহৌমী শিন্নীশিংবু ঐখোয়না য়েংশিনবিবা অমদি শিনফম কয়া শেম্বিদুনা মতেং পাংবিবা তঙাইফদে হায়বগী ৱাফমসু থল্লি।

# ফেজরোল দিষ্ট্রিক্তা পোষান মাহ হৌদোকখ্রে

সিসিপুর, সেপ্তেম্বর ০২ (এস এন এস)ঃ দি টি সি হোল তুইবোংদা পাঙথোকখিবা থৌরম অমদা ফেজরোল দিষ্ট্রিক্তকী ওইনা দিপ্যুটি কম্মিস্নার ফেজরোল শ্রীমতি মনুৱামচিং আই এ এসনা পোষান মাহ ২০১৯ (নেস্নেল ন্যুত্রেসন কেম্পেইন মন্থ) হৌদোকখ্রে।




আই সি দি এস ফেজরোলগা খূৎশম্নরগা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসনগী মীৎয়েং মখাদা পায়খৎকদবা প্রোগ্রাম অদু হৌদোক্লদুনা দিপ্যুটি কম্মিস্নার মনুৱামচিংনা হায়, পোষান মাহ হায়বসি মরু ওইনা নুপী অমসুং অঙাংশিং মশা মউ ফনা লৈনবগীদমক মচি ওইবা চীঞ্জাক চানবগী পাউজেল পীবা কেম্পেইননি। অদুনা ফেজরোল দিষ্ট্রিক্তকী মনুংদা লৈবা মরু ওইনা নুপী অমসুং অঙাংশিংবু হিরম অসিদা হেন্না মীৎয়েং চঙহন্নবা হেলথ ৱার্কর, দিষ্ট্রিক্ট লেভেল ওফিসার য়াওনা ষ্টেকহোল্ডরশিংনা হোৎনদুনা পান্দম অদু ফংনবা হোৎনগদবনি।

থা অমা চুপ্পা চত্থগদবা কেম্পেইন অসিগীদমক তোঙান তোঙানবা থবক থৌরমশিং শেম শারে। মসিগী মনুংদা ৱার্কসোপ, খূৎ-শা শেংনা হামদোকপগী দিমোন্সট্রেসন, কম্যুনিটিদা য়ুম্ফম ওইবা থবক থৌরমশিং, পাক শন্না লু নান্ননবা হোৎনবা অমসুং পোষান রেল্লি এ দব্লিউ সি লেভেলদা চৎপা অমদি ওর্গানিক ওইবা চীঞ্জাক উহৈ অমসুং মচি ওইবা চীঞ্জাক খঙহনবা অসিনচিংবনি। অসিগীসু মথক্তা এ দব্লিউ সি, ব্লোক অমসুং ভিল্লেজ লেভেলদসু থৌরম কয়া পাঙথোক্নবা শেম শারি হায়নসু মখা তানা ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা স্বছ ভারত প্রেরক জমমুনথাংনা হায়, প্রোগ্রাম অসিগী মপূং ওইবা পান্দমদি নুপী অমসুং অঙাংশিংবু মচি ওইবা চীঞ্জাক ৱাৎপদগী থোকহল্লকপা লায়না লাইওং কয়া ঙাকথোক্নবা হোৎনবনি। থৌরম অদুদা এ দি সি ফেজরোল থেনলানজোই গাংতে অমদি দিষ্ট্রিক্ট লেভেল ওফিসারশিংসু শরুক য়াখি হায়না দি আই ও চুরাচান্দপুরনা থাদোরকপা চেরোলনা ফোঙদোরক্লি।

# মোরে হোস্পিটালগী অৱাৎ অপাশিং এম সি সিনা য়েংশিনখ্রে

মোরে, সেপ্তেম্বর ০২ (এস এন এস)ঃ মোরে কঞ্জুমরস ক্লব (এম সি সি) গী থৌমীশিংনা ঙসি মোরে হোস্পিটালগী অৱাৎ অপাশিং অমদি ওইরিবা ফিভম হাকথেংননা য়েংশিনখ্রে।

য়েংশিন খোঙচৎ অদু এম সি সিগী প্রসিদেন্ট টি সৈবোই হাওকিপ্না লুচিংখি। হোস্পিটালগী এম ও ইন-চার্জ ডা. বিক্রমজিৎ নিংথৌজাগা উনদুনা অৱাৎ অপা কয়া অমদি অতৈ হিরমদা ৱারী ৱাতাই শানখি। হৌজিক হৌজিক্কী ওইনা হোস্পিটাল অসিদা মৈ, ঈশিংগী অৱাবা মায়োক্নবদা নত্তনা তঙাই ফদবা খূৎশু-খূৎলাই লৈরবসু মরু ওইনা ডাক্তর লৈতবনা নীংথিনা ফঙ্কসন তৌবা ঙমদনা লৈরমখি। গাইনি ও টিগী খূৎশু খূৎলাই মতমগা চানবা ৱাৎপনা শীজিন্নবা য়াদবনা অয়াম্বা ওইরি। স্পিসিয়েলিষ্ট খরা লৈরবসু লাক্তবনা মরম ওইরগা অনাবা অমসুং মীয়াম্না খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্নরি।

টি সাইবোই হাওকিপ্না ফোঙদোকখিবদি বোর্দর এরিয়া ওইরিবা মোরেগী অমত্তা ঙাইরবা হোস্পিটালগী হৌজিক ওইরিবা ফিভম অসিদা য়ুমথংনরিবা ম্যান্মারগী তমুদা লৈবা হোস্পিটালদা মীওই কয়া লায়েংবা চৎপা থেংনরে। মরম অদুনা মোরে হোস্পিটালগী ফিভম হেন্না ফগৎহন্দুনা অৱাৎ অপাশিং অথুবদা মেনখৎনবা মরী লৈনবা দিপার্টমেন্ট অমদি মিনিষ্টরদা আপিলসু তৌখি।

## চিলদ্রেন পার্সোনেলিটি দিভলপমেন্ট ফঙ্কসন পাঙথোক্লগনি

ককচিং, সেপ্তেম্বর ০২ (এস এন এস)ঃ ফ্রেন্দসিপ স্পোর্টিং ক্লব ককচিংনা থা অনী অনী খূদিংগী লেপ্তনা পাঙথোকপা চিলদ্রেন পার্সোনেলিটি দিভলপমেন্ট ফঙ্কসন ৫ রক শুবা ওইনা চৎলিবা থা অসিগী ৮ লাক্লিবা নোংমাইজিং নুমিত্তা পাঙথোক্লগনি।

ক্লবকী সেক্রেটরী এন রাজু সিংহনা থাদোরকপা চেরোলনা হায়, ক্লব অসিনা কোনবা লৈকাইগী ক্লাস ৱানদগী আইট ফাওবা তল্লিবা মহৈরোয়শিংনা চৎলিবা থা অসিগী ৭ লাক্লিবা থাংজ নুমিৎ ফাওবগী মনুংদা মিং পিখৎপা য়াগনি।

অঙাংশিংবু অফবা অচুম্বা অমদি চাউখৎপা মায়কৈদা পুনবা অমদি পার্সোনেলিটি দিভলপ তৌনবগী পান্দমদা থৌরম অসি পাঙথোকপনি।

## দ্রগ শীজিন্নবা মীওই অহুম ফারে

থৌবাল, সেপ্তেম্বর ০২ (এস এন এস)ঃ লমদিং এদুকেটেদ ৱেলফেয়ার এসোসিয়েসন (লেৱা) অমদি ফিচর চেরাপুরগী অপূনবা থৌমীশিংনা ঙরাং নুমিদাং চত্থবা দ্রাইভতা দ্রগ লান্না শীজিন্নবা মীওই ৩ নম্বর ফোরগা কোন্ননা ফারে।

এসোসিয়েসনগী প্রসিদেন্ট এস ওজিৎ সিংহনা থাদোরকপা চেরোলনা হায়, ফারবশিং অদুদি মোইরাংথেম সনাথোই সিংহ অপোকপা বোয়াই, মোইরাংথেম সৈলেস সিংহ অপোকপা সুরেন অমদি নিংথৌজম কেমিও সিংহ অপোকপা সরতচন্দ্র কৌই। মখোয় পূন্নমক হৈরোক পার্টি টুদগীনি।

হৈরোক্কী সি এস ও অমদি মীয়াম্না ময়াই কাবা চীঞ্জাক মখল কয়া শীজিন্নবা অমদি য়োনবা থিংননবা চপ চাবা থবক লৌখৎফম থোক্নে হায়বগী ৱাফমসু থল্লদুনা মতম চারিঙৈদা থিংহৌদ্রবদি হৌরক্লিবা নহারোল কয়া ময়াই কাবা চীঞ্জাক্কী ইপাক্তা লুপখ্রগনি হায়নসু ফোঙদোরক্লি।

# থৌবাল অমসুং ককচিং দিষ্ট্রিক্তা জেনরেল ষ্ট্রাইক্না চাউনা অকায়বা পীখ্রে




ককচিং/থৌবাল, সেপ্তেম্বর ০২ ঃ ইম্ফালগী কাঞ্চিপুরদা লৈবা ষ্টেন্দর্দ রোবার্ট হয়ার সেকেন্দরি স্কুলগী মহৈরোয় থাংমৈবন্দদগী বেবিস্না চনু স্কুল অসিমক্কী বোর্দিংদা শিখিবগী মতাংদা শেমখিবা জে এ সিনা ঙসি অয়ুক্তগী কৌখিবা পুং ৪৮ গী জেনরেল ষ্ট্রাইক্না থৌবাল অমসুং ককচিং দিষ্ট্রিক্তকী মফম কয়াদা মহৌশাগী পুন্সিদা চাউনা অকায়বা পীখ্রে।

জেনরেল ষ্ট্রাইক মনুংদা লম্বিদা লনাই গারী মচা খরা চৎপা নত্তনা পেসেঞ্জর পুবা গারীশিং চৎনখিদ্রে, মফম খরদা লম্বী থিংখি, গভর্ণমেন্ট ওফিসশিং ইতাক তাকখি, মহৈ লোয়শঙ অয়াম্বদা মহৈরোয়শিং কানখিদ্রে। মরু ওইবা কৈথেলশিং থৌবাল, ৱাংজিং, য়াইরিপোক, ককচিং, ককচিং লমখাই, পল্লেল, ৱাবগাই লমখাই, হিয়াংলম, ককচিং খুনৌ, ৱাইখোং অমদি সুগনুনচিংবদা পোৎফম ফম্নখিদে, দুকানশিং থোঙ লোন্নখি, পামদবা থৌদোক থোক্তনবা পুলিসনা অকনবা ঙাক শেনবগী থবকসু চত্থখি।

নাকল অমরোমদা বেবিস্না মীশিগী মতাংদা অচুম্বা লংলা লংজিল পুথোক্তুনা মরাল লৈবশিং মতিক চাবা চৈরাক পীয়ু হায়না ককচিং কৈথেলদা মীয়ামগী ৱাকৎ মীফমসু ফমখি। ককচিং কৈথেল অপূনবা ইমা লূপ্না ওল মণিপুর ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (এমসু) ককচিং দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটিগা খূৎশম্নদুনা ৱাকৎ মীফম অদু চত্থখিবনি হায়রি।

ꯁꯅꯥꯂꯩꯕꯥꯛ/খঙহঞ্জবা

Shree Leitanthem Kuber Singh S/o L (L) Angou Singh, Awangjiri, Nambol গী মিংদা লৈরিবা তাওথবী লৌফম Patta No. অরিবা 109, অনৌবা 109/289, Dag No. 388, 387/573 (.52, .06) খুলগী No. 93 অমদি ইংখোল অরিবা Patta No. 81 অনৌবা Patta No. 130/446 Dag No. 319 গী মতাংদা ঐখোয় ইচিল-ইনাওশিংগী মরক্তা লৈরিবা চয়েৎনবশিং অসি লোইশিন্নবা লাক্লিবা September গী 6 (six) Friday ফাওগী মনুংদা AwangjiriA দা লৈরিবা Leitanthem শাগৈদা শোয়দনা লাক্নবা খঙহল্লি।


করিগুম্বা হায়রিবা মতম অসি ফাওবগী মনুংদা লাক্তুনা ৱারোইশিন অমা পুরক্নবা হোৎনদ্রবদি মতুংদা থোক্লকপা অফ-ফত্তগী দাইত্ব নশানা য়ানা পুজগদবনি।

খঙহঞ্জরিবা

1. Leitanthem Binoy
2. Leitanthem Ningthem Meitei
3. Leitanthem Ibocha
4. Leitanthem Khamba
5. Leitanthem Rajendro
6. Leitanthem Ramananda

SL/5267/3

# মপু পান্দ্রবা জিরিবাম হোস্পিটাল লৈতবগা চপ মান্নরে ঃ অজুকা




জিরিবাম, সেপ্তেম্বর ০২ (জে এন এন)ঃ জিরিবাম দিষ্ট্রিক্তকী অমত্তা ঙাইরবা ফমুং ৫০ লৈবা দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল অসি মপু পান্দবা অমদি হোস্পিটাল অসি লৈতবগা চপ মান্নরে হায়না ওল জিরিবাম য়ুনাইটেদ ক্লবস এসোসিয়েসন (অজুকা)না ফোঙদোরক্লি।

অজুকাগী ভাইস প্রসিদেন্ট মুতুম প্রেমচন্দ্র সিংহনা পাউমীশিংগা উনবদা হায়, ষ্টেট গভর্ণমেন্ট অমদি মরী লৈনবা ওথোরিটিনা মীৎয়েং চঙবিদবদগী মমিংতগী ওইবা হোস্পিটাল অমা ওইনা লৈবগা চপ মান্নরে। হৌজিক হোস্পিটাল অসিগী ওইরিবা ফিভম অসি অসুক্কী মতিক লাইবক থিনিঙাই ওইরে।

ইমুনাইজেসন ব্লোক্নচিংবা কয়া নীংথিনা মথৌ তৌদ্রে, ষ্টাফশিং মতম চানা লাক্তবা থেংনরে। এক্সরে অমদি অলত্রাসাউন্দগী মেছিন লৈনা লৈনা মথৌ তৌহন্দনা থল্লি। অঙাংশিংগী-দমক বি সি জি অমদি তোঙান তোঙানবা হিদাক মখল কয়াগী থন্ফম মতিক চাদবনা ওল্থোকপা ফিভমদা লৈরম্বসু উখি। গভর্ণমেন্টনা হোস্পিটাল অসিদা পোষ্টিং থারক্নবা ফাওবা লাক্তবা অসিনা মীয়াম্না পেন্নিংঙাই ওইদ্রে। মরম অসিনা গভর্ণমেন্ট অমসুং মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টনা অথুবদা মীৎয়েং চঙবিয়ু হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

## ডা. দেবেন দত্তা হাৎখিবগী নুংঙাইতবদা শরুক য়াগনি

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ০২ (এস এন এস)ঃ অসামগী জোরহাৎতা লৈবা তেওক টি ইষ্টেটতা সার্ভিস পীরিবা সেনিয়র ডাক্তর দেবেন দত্তবু মহাক্কী পেসেন্টকী মরী মতানা তমথিবা মওংদা হাৎখিবদা ইন্দিয়ান মেদিকেল এসোসিয়েসন (আই এম এ) হেদ ক্বার্টরনা হয়েং লৈবাকপোকপা নুমিত্তা সোলিদরিটি উৎপা অমসুং নুংঙাইতবা ফোঙদোক্কদৌরিবা অসিদা আই এম এ মণিপুর ষ্টেট ব্রাঞ্চসু মপূং ফানা শরুক য়াগনি হায়রি।

আই এম এ অসাম ষ্টেট ব্রাঞ্চকা মেদিকেল ফেট্রনিটিদা লৈরিবা পূন্নমক্না হিরম অসিগী মতাংদা অমত্তা ওইনা লেপমিন্নগনি হায়নসু আই এম এ মণিপুর ষ্টেট ব্রাঞ্চকী সেক্রেটরী ডা. নেলসন লোইতোংবম্না ফোঙদোরক্লি।

লৈবাক শীনবা থুংনা হয়েং লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অয়ুক পুং ১১ দা পাঙথোক্কদৌরিবা অমত্তা ওইনা লেপমিন্না অমসুং অমুবা বেজ থেৎতুনা অৱাবা ফোঙদোকপদা আই এম এ মণিপুর ষ্টেট ব্রাঞ্চকী মেম্বর অমসুং ডাক্তর পূন্নমক্না শরুক য়াগনি। অদুগা নুমিদাং পুং ৬ তা লম্ফেল পাৎতা লৈবা আই এম এ মণিপুর ব্রাঞ্চকী প্রেমিসেসতা কেন্দল থান্দুনা লৈখিদ্রবা ডাক্তর দেবেন দত্তগী মফমদা লৈশু কক্তুনা ইকায় খুম্নবা উৎকনি হায়রি।

## হোম মিনিষ্টরস মেদল পীরক্লে

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ০২ (এস এন এস)ঃ মণিপুর পুলিস ট্রেনিং কলেজ ইম্ফালগী ওফিসার অমসুং মীওই ৪ দা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টরস মেদল ফোর এক্সিলেন্স ইন পুলিস ট্রেনিং ২০১৭-১৮ গী এৱার্দ পীরক্লে। মখোয়শিং অদুদি সুবেদার খুমুজম নব সিংহ, হবিল্ডার য়ুম্নাম গুনেশ্বর সিংহ, হবিল্ডার দাংসৱা মেথিউ মরিং অমসুং রাইফলমেন য়াঙ্গোইজম সুন্দর সিংহনি হায়না মণিপুর পুলিসকী পি আর ওনা থাদোরকপা চেরোলনা হায়রি।

## ঙসিগী রাষি ফল (০৩-০৯-২০১৯)

ইবোপিশক নিংথৌজা (এৱার্দি)

*এষ্ট্রো এণ্ড পালমিষ্ট, পাউনা বাজার, ইম্ফাল*

**মেষঃ** শাওনবা, খৎনবা, শোক্কনবা মতম্নি। মীচং শোন্থবা মতম্নি। পোৎ লৈবা য়াগনি। ইমুংদা চরাঙনগনি। হকচাং ৱাখল চাং অমদা লৈরগনি। নক্ষত্র ১ ফত্তে, ২,৩ ফগনি।

**বৃষঃ** খুদোংচাবা, পোৎ লৈবা য়াবা, অচৌবনা নুংশিবিবা, লম চৎপা, মী তিন্নবা কান্নবা ফংবা, ইমুংদা শান্তি লৈবা মতম্নি। ৱাখল খরা লাঙগনি। নক্ষত্র ৩ ফগনি, ৪ ফত্তে, ৫ ফগনি।

**মিথুনঃ** খুদোংচাবা থেংনবা, চাউখৎপা, ফগৎপা, মরুপ মফম ফগৎপা, হকচাং ৱাখল ফগৎপা, পোৎ লৈবা য়াবা, ইমুংদা শান্তি লৈবা মতম্নি। নক্ষত্র ৫,৬, ৭ অফবনি।

**কর্কটঃ** চাউখৎপা, ফগৎপা, পাঙথোক্লিংবা অচৌবা পাঙথোকপা, মরুপ মফম ফগৎপা, হকচাং ফগৎপা মতম্নি। শেল খরা চৎপা মতম্নি। নক্ষত্র ৭,৮, ৯ অফবা ওই।

**সিংহঃ** তোখাই তাবা, শোক্কনবা, খৎনবা মতম্নি। গারী তপ্না থৌগনি। অচুম্বদা অর্থ লান্না লৌরগনি। ইমুংদা চরাঙনগনি। নক্ষত্র ১০, ১১,১২ চাং অমদা লৈরগনি।

**কন্যাঃ** চরক চহিং নাইবা মরক্তা অরুবদি পাঙথোক্লগনি। পোৎ লৈবা য়াগনি। লম চৎপা হৈ শিংউ। হকচাং ৱাখল নুংঙাইরোই। নক্ষত্র ১২,১৩ অফবনি, ১৪ ফত্তে।

**তুলাঃ** অফবা মতম্নি। অচৌবনা চানবিবা, শেল ফংবা, পোৎ লৈবা য়াবা, অচৌবনা নুংশিবিবা মতম্নি। ইমুংদা শান্তি লৈরগনি। নক্ষত্র ১৪,১৫,১৬ ফগনি।

**বৃশ্চিকঃ** শেল ফংবা, চৎপা, ৱাখল লাঙবা, অরানবা তাবা মতম্নি। লম চৎপা, মী তিন্নবা হৈ শিংউ। পোৎ লৈবা য়াগনি। ইমুংদা চরাঙনগনি। নক্ষত্র ১৬,১৭ খরা ফগনি, ১৮ ফত্তে।

**ধনুঃ** খুদোংচাবা থেংনবা, চাউখৎপা, পোৎ লৈবা য়াবা, ঐগী মী মশীং হেনগৎপা, লম চৎপা, মী তিন্নবা কান্নবা ফংবা, শান্তি লৈবা মতম্নি। নক্ষত্র ১৯, ২০ ফগনি, ২১ ফত্তে।

**মকরঃ** খৎনবা, মুক্নবা মতম্নি। পাঙথোক্লিংবদি পাঙথোক্লগনি। পোৎ লৈবা য়াগনি। মীনা য়েংশিল্লি। চরাঙনগনি। নক্ষত্র ২১,২২,২৩ অফবনি।

**কুম্ভঃ** চরক চহিং নাইবা, শেল চৎপা, মীনা য়েংশিনবা মতম্নি। পোৎ লৈবা য়াগনি। অচৌবশিংনা নুংশিবিরগনি। চরাঙনগনি। নক্ষত্র ২৩ ফগনি, ২৪,২৫ চাং অমদা লৈ।

**মীনঃ** অরানবা তাহনবা, য়েৎনবা লৈবা মতম্নি। পাঙথোক্লিংবদি পাঙথোক্লগনি। হকচাং ৱাখল চাং অমদা লৈরগনি। চরাঙনগনি। নক্ষত্র ২৫,২৬,২৭ চরক চহিং নাইগনি।







